# চাইনানা ম্যান্মারদা খাবৈ-খারা শাদুনা কাং-খোং চাইহল্লকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইন্দিয়ানা মণিপুরগী মীয়াম্বু বলিগী হামেং ওইহল্লকপা - (১)

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

ম্যান্মারগী মিলিটরিনা প্রো-দেমোক্রেসিগী ঈহৌ অমা তমথীবা মওংদা নমথদুনা মীওই লিশীং কয়ামরুম হাৎখ্রবা মতুং থা খরা লৈরগা কুমজা ১৯৮৯গী মার্চ থাদা মতম অদুগী বর্মাদা য়ু এসকী এম্বেসেদর ওইবা বর্টন লেভিননা ৱাশিংটন পোষ্টকী কৈথ রিচবর্গতা হায়খি, বর্ম্মা অসি য়ু এসকী বেজ অমত্তসু লৈতবা অমসুং ষ্ট্রেটেজিক ওইবা মীৎয়েংদা কয়া মরু ওইনা লৌদবা লৈবাক অমা ওইবা মরম্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মশাগী প্রিন্সিপলশিং অদু ঙাক্না ঈংনা লৈবা ঙম্বা মফম অমনি।

সিনেটরশিং, কোংগ্রেসমেন লোয়ননা য়ু এস গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অদুগুম্বা পাক্তক্লবা মীহাৎ-মীপূন অদুবু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা উৎপা ৱারোল মথং-মথং ফোঙদোক্লরকপগা লোয়ননা হেন্না দেমোক্রেটিক ওইবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা আপীল তৌনখি। চৈরক অদুদা চাইনিজশিংনা য়াঙ্গোনদা লৈঙাক চূপ্লি পায়রিবশিংগা হেন্না নকশিন্না লোয়ননবা ৱারেপ লৌখি। চাইনা অমসুং ম্যান্মার অনীনা ইহান হানবা ওইনা বোর্দর ত্রেদ এগ্রীমেন্টতা খূৎয়েক পীমিন্নখিবা অদু কুমজা ১৯৮৮গী ওগষ্ট ৬তনি। হায়রিবা থৌওং অসি ম্যান্মারদা অকনবা ঈরাং লৈরিঙৈ অমসুং বোর্দর পূম্নমক লালহৌলূপ মখল-মখা কয়ানা কন্ট্রোল তৌদুনা থল্লিঙৈদা পাঙথোকখিবনি। ৱাফম অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবদি চাইনিজশিং অসি দেমোক্রেটিক ওইবা অহোংবা লাক্কনি হায়বসিদা থাজবা থমদে অমসুং মিলিটরিনা খুদুম চনবা গভর্ণমেন্টশিংনা মতম শাংনা লৈঙাক চূপ্লি পায়দুনা লৈখিগনি হায়বা ৱাখল্লোন অমদা চেৎনা থাজৈ হায়বসিনি।

করিগুম্বা ৱাশিংটননা ম্যান্মারদা হ্যুমেন রাইটস নত্তবা অতৈ মীৎয়েং চঙনীংবা হীরম খরা লৈবা তারবদি মদু গোল্ডন ত্রাইএঙ্গলগী দ্রগ ত্রেদ অমসুং জুন্টা (হুন্টা) গা চাইনাগা ইকোনোমিক অমদি পোলিটিকেল কোওপরেশনগী মরী হেন্না নকশিন্নরকপগী মতাংদা নুংনাংবা খরা পোকপা হায়রিবশিং অসি ওইগনি। মসিদসু নত্তনা ম্যান্মারনা কুমজা ২০০৮গী নবেম্বরদা নোর্থ কোরিয়াগা অরোনবা মিলিটরি কোওপরেশনগী য়ান-চেনি হায়বা অমদা খূৎয়েক পীমিন্নখিবদগী মদুনা ৱাশিংটনদা মীপাইবা পোকহনখি। সিক্যুরিটি প্লান্নরশিংগী মায়কৈদগী, ম্যান্মারগী লৈঙাক পায়রিবা জেনরেলশিংনা মখোয়বু মালেম্না ইন্থোক্তুনা থম্বগী মওং অসি লৈহন্দনবগীদমক্তা অসিগুম্বা য়াম্না হকচিনবা খোঙথাংশিং লৌখৎহন্দনবা হুন্টাগা করিগুম্বা মরী খরদি লৈনবা চুমগনি হায়বা ৱায়েৎ অসি পীরদুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপদা সেঙ্কশন অমসুং বোইকোট তৌবগী পোলিসিনা করি কান্নবগে হায়বা ৱাহং অসি হংখি।

তুংদা, লৈনরিবা মরী ফগৎনবনি হায়দুনা লৌখৎফম থোকপা থবক খরদি লৌখৎখি অদুবু ৱাশিংটন্না ষ্ট্রেটেজিক অমসুং জিওপোলিটিকেলগী মীৎয়েংদা মরু ওই হায়না খনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ম্যান্মার অসি কৈদৌনুংদসু অকক্লবা মফম অমা পীবা তৌখিদে। কুমজা ১৯৫০গী মতমদা সী আই এ, টাইৱান অমসুং থাইলেন্দ অহুম অসিনা চাইনিজ নেশনলিষ্ট কোমিন্টাংগী লান্মীশিংবু শৌগৎখিবা মতাং অদুদদি মরী খরা লৈনরম্মী। হায়রিবা লান্মীশিং অসি চাইনিজ সিভিল ৱার মনুংদা মাউ জেদোংগী কম্যুনিষ্টশিংনা মায়থীবা পীরবা মতুংদা অৱাং নোংপোক থংবা ম্যান্মারদা চেনশিল্লকপনি অমসুং ঙমখৈ ৱাংমদা লৈবা লোৎফমশিং অসিদগী চাইনাদা অমুক হন্না চঙশিন্নবা হোৎনবদা মায় পাকখিদে।

কুমজা ১৯৫৭তা ম্যান্মার আর্মিগী কম্মান্দর ওইবা জেনরেল নে ৱীননা মহাক্কা খ্বাইদগী হেন্না চান্নবা ইন্টেল্লিজেন্স ওফিসর, টিন উবু সী আই এগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়াহল্লুনবগীদমক্তা য়ু এসনা লৌশিল্লবা পেসিফিক আইলেন্দ সাইপানদা থাখি। অদুবু মদুসু কোল্ড ৱারগী মতমদনি অমসুং কুমজা ১৯৮৮গী ঈহৌ অদুগী মমাঙদা লৈনরম্বা মরী অদুগী মতাংদা লেভিননা হায়, ঐখোয়না বর্মিজ গভর্ণমেন্টকী কনাগুম্বা মীওই অমত্তগা কান্নগদবা মওংদা মরী লৈনখিদে। মখোয়গী ওইবা ফোরেন মিনিষ্ট্রি টাইপকী কাঙবু অমখক্তি ঐখোয়গী দিন্নরশিংদা হেক হেক লাক্লগা গোল্ফ, টেন্নিস, ৱেদর অমসুং করম্বা মতমদা করি হৈ-রা পাল্লি হায়বনচিংবগী মরমদা ৱারী শানৈ... বর্মাদা ঐহাক্না লৈরকপগী অহানবা থা অহুম অদুদা ঐগী বেক হেন্দ অসি নাবা ফগৎলকপদগী ঐহাক্না মতম মাঙহনবনি হায়না খনবা গোল্ডকী মশান্না অসিফাওবা শান্নবা হৌখি। মদু ঐঙোন্দা অরেম্বদা মাঙহন্নবা মতম মরাঙ কায়না ফংখিবদগীনি।

চাইনানা ম্যান্মার অসি হেক য়ূমলোন্ননা লৈরম্বা মরম্না লৈবাক অসিবু য়াম্না হকচিনবা মীৎয়েং অমনা য়েংই। বৈজিংগী সিক্যুরিটি প্লান্নরশিংনা ম্যান্মারবু মতম পূম্নমক্তা চাইনাগা, খা অমসুং খা-নোংপোক এসিয়াগা শম্নহন্নবা থোং অমা ওইনা উবগা লোয়ননা চাইনাবু ইন্দিয়ান ওসিন অমদি মসিগী ৱাংমদা অশোয়-অঙাম থোক্তনা ইলায় লায়না চঙশিনবা ঙমহনগদবা অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক অমা ওইনসু লৌই- অদুগা হায়রিবা পোলিসি অসি ক্রোশ-বোর্দর ত্রেদ অমসুং হৌজিক্কী চাইনা-ম্যান্মার ইকোনোমিক কোরিদোর অসিগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি। কুমজা ১৯৮৮গী মতুংদগী লাকপা অহোংবা অমত্তং হায়বা তারগদি ঙসি চাইনানা রেভুল্যুসনগী মহুত্তা কঞ্জ্যুমরগী পোৎশকশিং ওইনা থাদোক্লকপা অসিনি। মাউনা কুমজা ১৯৭৬কী সেপ্টেম্বরদা শিখিবা অমসুং রিফোর্মিষ্ট দেং জিয়াউপিংনা লৈঙাক চূপ্লি পায়রক্লবা মতুংদা হান্না ষ্টেটনা কন্ট্রোল তৌবা অকনবা সোশলিষ্টকী সিষ্টম অমনা লেঙ-ওৎপা ঙমদনা ফাজিন্দুনা থনম্বা চাইনা অসি অঙকপা মওং অমদা মশক হোংলক্তুনা, মার্কেটতা মীৎয়েং থম্বা অমসুং মালেমগী থাক্তা য়াম্না চাউনা লল্লোন-ঈতিক তৌবা লৈবাক অমা ওইরকখি অমদি ৱাফম অসি লৈবাক অসিগী ফোরেন পোলিসিদসু মমি তারি।

ঙসিদি চাইনানা, ম্যান্মারদি মতম পূম্বদা অমগা-অমগা ইকায়খুম্নবা, নুংশিনবা অমসুং ৱাখল তামিন্নবদা য়ূম্ফম ওইদুনা মরী লৈনবা লৈবাক্কি হায়না ক্লেইম তৌরগা কা হেন্না পঙহায় হায়জিনবা চেরোলশিং থাদোক্লবা হোৎনবদা অচেংবা তাঞ্জা অমত্তা লেম্না থারক্ত্রে। হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতা




*'ওমদুনা চাক্লিবা মৈগী চীংগী মতৌগুম্না অকনবা ঈরাং লৈবা ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা নারোন দা নোংমৈ হোঞ্জিল্লকপা অমসুং ইন্দিয়াদা র‍্যেদ কয়া চত্থবা ঙমহল্লিবা, অৱাং-নোংপোক থংবা ম্যান্মারগী অথাপ্পা চীংনুংশিংদা ঙমখৈ লান্না চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা অসামি, মণিপুরী অমসুং নাগাগী লালহৌবশিং অসিবু ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটি প্লান্নরশিংনা মরূ ফুক্না তকথোকখিবসু পাল্লম্বা য়াই'*

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা হান্নগী মিলিমিটরিগী ষ্ট্রোংমেন থান স্বেগা নেপিটোদা উনখিবা মতমদা হান্নগী অরিবা কোনুং য়াঙ্গোনদা লৈবা এম্বেসিনা হায়খি, চাইনা-ম্যান্মার অনীগী পোক-ফো (ঈ মরী) ওইবগী ফ্রেন্দশিপ অসি মালেমগী হোংলক্লিবা অনৌবা য়াওল অসিদসু মপোপ কায়দনা লৈরি অমসুং মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলক্লি... চাইনানা য়ূম্লোন্নবা লৈবাকশিংগা লৈনবা মরীদা চাইনা-ম্যান্মারগী মরী অসিসু মরু ওইবা মফম অমদা থমদুনা চাওখৎহন্নবা মতম পূম্বদা হোৎনরি অমসুং চাইনানা অৱা নুংঙাই শরুক য়ামিন্নবগী ৱাখল্লোন অসি ঙাক্লা চৎকনি অমদি অমগা অমগা তেংবাংনগনি অমসুং ম্যান্মারগী গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়াম্না চেৎনা থাজবা অশেংবা অমদি মবুক-মপাউ ফবা মরুপ অমা ওইগনি।

ৱারোল অসিদা য়াওরিবা অচুম্বা হায়ববু চাইনানা ম্যান্মারগা লৈনরিবা মরী অসি য়াম্না মরু ওইনদি লৌই অদুবু কৈদৌনুংদসু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা মরমশিংগীদি নত্তে হায়বা অসিনি। কুমজা ১৯৪৯দা পিপল'স রিপব্লিক ওফ চাইনা অসি লিংখৎলবা মতুংদা বৈজিং অমসুং য়াঙ্গোন অনীনা মশেল ইকায়খুম্নবা অমদি অচুম্বা মরী অমা লৈনখি। অদুবু চাইনানা কুমজা ১৯৫০গী মতমদা বোর্দরগী চীংজাউশিং লান্দুনা লাকখিবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ বর্মা (সী পি বি) গী লুচিংবা মীওই ১৪৩বু চঙজফম পীখি। মীওইশিং অদু শিচুৱান প্রোভিন্সকী চেংদুদা থল্লগা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী স্কুলশিংদা পোলিটিকেল ক্লাস য়াওহনখি। অতোপ্পা থৌওং অমদনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা খূৎলায় পায়দুনা লান হৌখিবা কচিন ৱর্ল্ড ৱার-টুগী হেরো, নন কম্যুনিষ্ট নো শেং হায়রিবা মীওই অসি গভর্ণমেন্টকী লান্মীশিংনা চত্থরকপা এটেকশিং অদু মায়োক্লবা ঙল্লক্তবদগী কুমজা ১৯৫০দা মহাক মশামক কচিনগী ফাইটর চা কয়াগা লোয়ননা চাইনাদা চেনশিনখি। মখোয় পূম্নমক গুইঝৌ প্রোভিন্সকী পিপল'স কম্যুনদা নৌনা খুন্দা লৈতাহনখি।

তৌইগুম্বসুং শিচুৱানগী লাউবীংস (ভেটরেনশিং) নৎত্রগা গুইঝৌগী লাউবীংস অনীমক অসিদা নে ৱীননা কুমজা ১৯৬২দা কূ অমা তৌদ্রিবফাওবদি চাইনানা মিলিটরিগী করিগুম্বা মতেং অমত্তা পীখিদে। হায়রিবা জেনরেল অসিবু মতম কুইনা মমিৎ নানা য়েংদুনা লাক্লবা চাইনানা ম্যান্মারদা নৌহৌননা কম্যুনিষ্ট লালহৌ অমা হৌরকপদা তেংবাংনবা ৱারেপ লৌখি। হায়রিবা লালহৌ অসিগী থৌরাংদি, কুমজা ১৯৬২দা পাঙথোকখিবা কূ অদুগী মতুং ইকুই কুইদনা সী পি বি অমসুং চাইনীজ অনীনা য়ুনানদগী চঙশিনবা য়াগদবা লম্বী থিহন্নবগীদমক্তা মীওই কয়া থাজিন্দুনা পায়খৎপা হৌখ্রবনি অমসুং কুমজা ১৯৬৭তা য়াঙ্গোন্দা থোকখিবা এন্টি-চাইনিজ রাইওট অদুদা পাউথোংফম ওইদুনা ম্যান্মার তম্না লান্দাশিন্নবা ফরবা খুদোংচাবা অমা ফংখি। শিচুৱানগী লাউবীংশিং অদু অয়াম্বনা লান শোক্লবগী এক্সপরিএন্স লৈতবা এঠনিক বর্মন ইন্টিল্লেকচুএলশিং ওইবা মরম্না, চাইনানা বোর্দর লান্না থাজিন্নবা হোৎনরিবা, লাম্থেংনবদা অকিবা পোক্ত্রবা গুইঝৌগী লাউবীংশিংবু ফাইটিং ফোর্স অদুগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইহনখি। অদুগুম্বা লাঞ্জং অদু কুমজা ১৯৬৮গী ন্যু য়র দেদগী চঙশিনবা হৌখিবনি।

ইন্দো-চাইনাগী ৱাংমদা হৌরিবা এসিয়াগী অতোপ্পা কম্যুনিষ্ট লালহৌশিংদা পীবা মতেংদগী য়াম্না হেন্না, চাইনানা সী পি বিগী লালহৌদা মিলিটরিগী তেংবাং পীখি। অয়াম্বনা নহা ওইরিবা রেদ গার্দশিং ওইবা চাইনিজ 'ভোলন্টিয়র' লিশীং-লিশীং ঙমখৈ ৱাংমা লান্না ম্যান্মারদা লৈরিবা 'কমরেদ' শিংগা পূন্না লান শোক্লহন্নবা থাজিনখি। সী পি বিনা চহী কয়ামরুম চূপ্পা অকনবা লান শোক্লরবা মতুংদা ম্যান্মারগী অৱাং নোংপোক থংবা চাইনাগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংগী স্কৱার কিলোমিটর ২০,০০০ পাক-চাউবা মফম অমা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখি। মতাং অসিদা পলহৌবা য়াবা, মালেম অসিনা কয়া মুন্না খঙনদবা ৱাফম অমনা চাইনিজ বোর্দরদা লৈবা পাংশাং হায়না খঙনবা মফম অসিগী হেদক্বার্টরশিং অসি অতোপ্পা সাউথ ইষ্ট এসিয়ান কম্যুনিষ্টশিংগীসু বেজ অমা ওইখি হায়বা অসিনি।

কুমজা ১৯৬০ অমসুং ১৯৭০গী মতমশিংদা শোক্লখিবা ইন্দো-চাইনাগী লান মতম অদুদা আমেরিকানশিংনা মখোয়গী খূৎচাবী থিওরি অমখক পুথোক্তুনা য়াম্না কন্না খন্ন-নৈনখি। কম্যুনিষ্টশিং অসি ভিএটনামদা অথিংবা থমহৌদবা তারবদি লালহৌ অমসুং লৈঙাক-চূপ্লী মুল্লকপা য়াবগী ঈথক-ঈপোম অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লেমহৌরিবা অতৈ মফমশিং অমসুং মসিগী ৱাংমদফাওবা শন্দোক্লকপা য়াই হায়না আমেরিকানশিংনা নুংনাংবা পোকখি। হায়রিবা থিওরি অসি অচুম্বদি ওইরম্বা য়াই, অদুবু মাউগী চীফ ষ্ট্রেটেজিষ্ট কাং শেংগী মফমদদি হানোইগী নোর্থ ভিএটনামিজ লিদর্শিপ অমসুং খা মায়কৈদা লৈরিবা নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট অনী অসি মতম অদুদা চাইনাগা মুক্লরিবা কম্যুনিষ্ট পৱার, সোভিএট য়ুনিয়নগা য়াম্না নকশিন্নবা মরী লৈনবা মরম্না থাজনীংঙাই ওইদে। কাংগী থৌরাংদি মাওইজমদা লাইমিং লৌরবা সী পি বিগী খুথাংদা লমদম অসিদা রেভুল্যুসন শন্দোক্লবা মতুংদা ৱাখল মান্নবা মাওইষ্ট পার্টিশিং- কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ থাইলেন্দ (সী পি টি), কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ মালায়া (সী পি এম) অমসুং পার্টাই কোমুনিশ ইন্দোনেসিয়া (পি কে আই) না মপাঙ্গল কন্না লৈরিবা থাইলেন্দ, মলেসিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়া হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা অমুক মথং-মথং য়ৌহনবা অসিনি। য়াম্না মরিং-মরাংবা ৱাফম অমনা, থৌরাং অসিদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ওষ্ট্রেলিয়া (মার্ক্সিষ্ট-লেনিনিষ্ট) হায়বা পীশক-পীকপা প্রো-বৈজিং রেদিকেল গ্রুপ অমসু য়াওরি।

কুমজা ১৯৮৬-৮৭তা পাউমীশিংনা পাংশাংদা লমদন্দুনা লৈরিঙৈ মতমদা উনবদা সী পি বিগী চ্যেরমেন থাকিন বা থৈন টিননা মহাক অমসুং ইদৱার্দ ফোলর হীল কৌবা মেলবোর্নগী উকিল অমা ওইবা সী পি এ (এম এল) গী চ্যেরমেন অসিগা বৈজিংদা লৈমিন্নৈ অমসুং 'সোভিএট রিভিজ নিষ্ট' শিংগী মায়োক্তা অমদি ৱর্ল্ড রেভল্যুসনগী মরমদা আপীলশিং ইমিন্নৈ হায়না পাউদমখি। মতম অদুদা সী পি এমগী চ্যেরমেন চিন পেং অসিসু কুনমিংদা লাঞ্জেল্লক্তুনা লৈবগা লোয়ননা মহাক্কা সী পি বিগী লিদর অমসুং কাদরশিংগা ইতৎ তত্তনা উনখি।

হেন্না পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরিবদি, পি কে আইগী থৌমী কাঙবু অমা কুমজা ১৯৭০গী মতমদা গুরিল্লা লাল্লোং তম্লুনবগীদমক্তা সী পি বিগী বেজ এরিয়াদা থাখিবা অসিনি। কাঙবু অসিগী মনুংদা কুমজা ১৯৬৫দা সেন্ট্রেল জাভাদা খূৎ থোক্লবদা হাৎখিবা পি কে আইগী চ্যেরমেন দিপা নুশান্টার অদিটকী মচানুপী অনীসু য়াওখি। সী পি টিগী কাদর কাঙবু অমসু পাংশাংদা তোঙান তোঙানবা ক্বার্টরশিংদা লৈনৈ। মখোয়না লৈরিবা কাশিং অদুগী ফক্লাংদা কুমজা ১৯৭৬কী ওক্টোবরদা পুলিস অমসুং পেরা মিলিটরিগী মীওইশিংনা বেঙ্কোক্তা লৈবা থম্মাসাট য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংবু হাৎখিবগী মওং মতৌশিং অদু উৎপা ফোটোশিং পীক থন্না থেৎলি। কুমজা ১৯৮৬কী মতম অদুদদি হায়রিবা ফোটোশিং অদু অমত্তা থেৎখিদ্রে, অদুবু মখোয়না হান্না লৈরম্বা বেরেকশিং অদুদদি থাইগী খূৎই হকপা কনক্রিটকী গুহা অমা উবা ফংই।

থাইশিংগী ইকোন কোনবা খূৎপু অমা, থাইলেন্দগী মাই হোং সোন প্রোভিন্সকী মফম অমদা পাঙথোকই হায়না থাজনবা সী পি টিগী মরিশুবা অমসুং অরোইবা কোংগ্রেসতা শরুক য়ানবগীদমক্তা কুমজা ১৯৮২গী অঙনবা শরুক্তা ম্যান্মারগী সান ষ্টেট ফাওরগা থাইলেন্দ তম্না চঙশিল্লকখি। পি কে আইগী এক্টিভিষ্টশিংসু চৎনখি অদুবু মখোয়গী খোঙচৎ অদুদি চাইনা ফাওরগা নোংচুপ থংবা মায়কৈদা লৈরিবা লমথুংফমশিং য়ৌনবা চৎপনি। মাউ অমসুং কাং অনীনা ম্যান্মারবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা সাউথ ইষ্ট এসিয়া পূম্বা মৈরী থোক্না চাকখৎহন্নবা হোৎনরম্বা থৌরাং অদু নীংবা কায়নীংঙাইগী মশক ওইনা মায় পাকপা ঙমখিদে।

চাইনা অমসুং ম্যান্মার অনীনা বোর্দর ত্রেদ এগ্রীমেন্ট অমদা খূৎয়েক পীমিন্নরবা মতুং চহী অমা ফাবাত্তনা কুমজা ১৯৮৯গী মার্চ-এপ্রিলদা সী পি বি অসিমক মতাং ইচা চাদনা কম্যুনিষ্টকী মপাঙ্গল কল্লবা লূপ ওইনা লৈরম্বদগী মচেৎ তানা কায়রকখি। লূপ অসিবু মপূং ওইনা শারিবা য়েলহৌমী ৱা কাঙলূপ অমসুং অতৈ হীল-ত্রাইবকী অচৌ-মচা পূম্নমক্না লান হৌরকপগা লোয়ননা হান্নগী লুচিংবা অদুবু নমদুনা চাইনাদা চেলহনখি। ●

*(source : www..irrawaddy.com/author/bertil-lintner)*

# ফিজেৎ কাঙলোন অমদি খুন্নাইলোন কায়থরকপদগী তাহৈদবা থৌদোকশিংগী হৌরকফম ওইরকপা-২

**- থোকচোম কেন্নেদি (বোই) -**

মহারাজদা বৃটিশ লৈঙাক্লোইশিংনা বাইনোক্যুলর (দোরবিন) অমা খুদোল ওইনা পীরকখিবা লৈরম্মী, মদুনা কনা অমত্তা খঙহন্দনা কোনুংগী অৱাংবা মথক্তা কাখৎলগা অথাপ্পদা চৎলিবা ফিজেৎ কাঙলোন ঙাক্তবা নুপীশিংবু তূমিন্না য়েংথোক্লবা মতুংদা মখা দা অমুক কুমথরক্লগা মনাইশিং অদুদা মায়কৈ অমসুং মফম চপ চানা হায়দুনা লম্বীদা চৎলিঙৈ মতমদুদা ফাহল্লুবা অদুদনি মীয়াম্না মহারাজবু কিনরল্লিবা/ঙক্লরল্লিবসি। তশেংনা হায়রবদা মৌশিংনা লৈশাবীগুম্না নিংজোলদা ফনেক শেৎপা, মতৈশিং উরগা ফিনা মকোক মরু খুমগনি খঙদবা, ফনেক ফিদোল চিংখৎলগা শেৎকনি খঙদবা, মৌ ওইরগনা লৈ-নাচোম অমত্তং চিল্লগসু য়েৎ থংবা নাপ্পদা চিনগনি, লৈশাবী ওইরগনা ওই থংবদা চিনগনি খঙদবা-লমজাও সড়কতা ফি মতৎ-মতা মহৌশাদগী চৎনরক্তবা/মান্নদবা মওংদা কা হেন্না পাবা, কা হেন্না কোথোকপনচিংবা ফিরোলশিং শেত্তুনা চৎপদা ইকায়বা ফাওনরক্তবদগী হেন্দোরক্তুনা চৎনবী অমা ওইনা ওম্থোক্লকপা, য়ূমদগী থোকখিবদনা মৌ ওইরবনি হায়দুনা ঙকশমদা ফি মচা অমা য়াল্লগা থোক্লক্লগা কোম্থোংদগী খরা হেক লাপথোরক্লগনা মঙকশমদগী ফিদু লৌথোক্লগা পিক্না তাশিল্লগা মহাক্না য়াল্লিবা খাও মচা অদুদা হাপচিল্লগা চৎখিবা লৈশাবী মান্নবা হায়দুনা। অদুগা হোরেন হল্লকপা মতমদনা ঙসাইগী ফিদু অমুক লৌথোক্তুনা ঙকশমদা য়ানশিল্লগা মৌ মান্নবা হায়দুনা য়ূমদা চঙলকপা নুপীশিংসু য়াওনদবা নত্তে।

ফিজেত্তা লৈশাবী মান্নবদগী হেন্দোরক্তুনা হৌজিক্কান্দি মেদিকেল সাইন্স অসিনা চাওখৎলক্লবনিনা মমিৎ, মমায়, মনাতোনসু ফজনবা হায়দুনা শেল কয়া তিংনা শেমদোক্ল রকপসু চৎনরক্লি। অদুবু কনাগুম্বা খরদি মীৎথুপ য়াওনবা শেম্বদা শোয়বদগী মীৎ নাম্মা শেপখিবসু য়াওনখি হায়না তানরি। মণিপুরগী মপান্দা মহৈ তল্লিবীশিংনা পামদবা থৌদোক কয়া থোকপগী পাউ কয়া মরক-মরক্তা তানখ্রিবশিং অদুসু অয়াম্বনা ফিজেৎ চাকচা মওং তাদবদগী থোক্লকপা ওইরক্লম্বা য়াই হায়নখিবসু লৈনখি। মীরমদমদা কাঙলোন চুম্না, চৎন-কাঙলোন কায়দনা মহৈ তমজরিবী কয়াগী শেংলবা মায়থোঙদা কনাগুম্বশিংনা মহৈরোয়শিংগী খূৎশেমগী মায়খুম উপশিল্লগা অকাম্বা ফিজোল শেৎচিল্লগা ঈরাংগী কৈথেল কারিবী কয়ানা অমুবা কালি তৈশিনবগী অতৎ-অখম লৈত্রবা পাউ কয়াসু লেপ্তুনা তানরক্লি।

অদুগা মীরমদা লৈবী মহৈ তল্লিবী মচাশিং উনবা লাকপা কনাগুম্বা মমা-মপা খরদি মমাদুনা সলৱারদগী হেন্দোক্তুনা জিন খোঙ্গ্রাও শেৎতুনা লাক্লগা মচানুপীগী মনাক য়ৌরবা মতুংদা অমুক মীরমদুদা মমা অমদি মচা অনীদু পূন্না অমুক খোঙ্গ্রাও মকক (হাফ পেন্ট) তপ নপ্পী অমমম শেৎলগা লৈশাবী মচা শাদুনা মার্কেটিং চৎলুগদৌরিবনি হায়দুনা মপাদুনা মতুংদা ইন্নরগা থোক্লকপসু উনরকপা থেংনরকপসু য়াওনরিবনি। করিগুম্বা নুপাদুনা নাক-পু তাবা অমা ওইরবদি হে নুপী নখোয়না তৌরিবদু করিনো, মীগী লমসিদা ফিজেৎ হায়বসি য়াম্না লুবনি, ফিজেৎ চাকচাগী মতুংইন্না মীনা ইকায়খুম্নরিবনি অমদি ফিজেৎ চাকচাগী মতুংইন্না মসিগী মী অসি নাতৈ চাদবা, মথোং হুক্তবা মী ওইরম্বা য়াই হায়না খন্নরিবনি হায়দুনা পাউতাক পীরম্বসু য়াই। মসি মপান্দা মহৈ তল্লিবী মচাশিং উনবা লাকপা মমা-মপা খুদিংমক্কীদি নত্তে। মমাঙঙৈ ঙল্লিঙৈ মতমশিংদা ইমা-ইবেল লাইওইখ্রবীশিং অদুনা চৎলম্বা লিচৎ ফিজেৎ-চাকচা, চৎন-কাঙলোনশিং অদুগা হৌজিক্কী মীরোলশিং অসিগা কয়াদা খেন্নরিবা/তাইওন্নবা মতৌ ওইরিবনো?

মীতৈ ঐখোয়গী ফনেক অসি ফজনা শেৎতুনা মীরমদা চৎপদা করিগী ইকায়গদৌরিবনো? মণিপুর হায়রিবা মিঙ্গৌ অসি ফাওবা কৌনদ্রিঙৈ মতমদা 'মেখ্লা দেস' হায়বদি ফনেক শেৎপা লমদম হায়দুনা ঙল্লিঙৈ মতমদা মণিপুরদা লাকখিবা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদগী মীওইশিংনা ফাওবা খঙনদুনা লাক্লবনি। ঙসিগী খুন্নাই অসিদা মিঙ্গৌলোল কায়থরক্লিবা অসি নুপাশিংসু অদুমঙাই ইয়াম্বনা লৌরক্লিবা নুপী অদু ইমাগা পাঙ্খক্লি হায়দুনা লৌনরিবনি। মদুদা ইতৈমা কৌবগী মহুত্তা 'ভাবী' হেক্তা তৌনরিবা অসি মখোয়গী ইমুংনদি থাক ৱাংলবনি হায়না খঞ্জরগসু খুন্নাই অসিদদি নমহায় কৌবনি হায়না লৌবা য়াই অমদি মসিসু খুন্নাইলোন্দা কায়থরকপগী খুদম তাঙ্কক অমনি হায়নসু লৌবা য়াই।

হৌজিক্কান্দি কনাগুম্বা য়ূমগী মৌ খরদি মতৈ-মকুবোকশিংগী মনাক্তসু কোইদ্রিবনি হায়দুনা মনাক্তা নক্লা হেক্তা ফমজিল্লকপদা নত্তনা মিঙ্গৌলোল ফাওবা ইতৈহল, ইতৈয়াইমা, ইতৈতোন, ইকুহল, ইকুয়াইমা, ইকুতোন হায়না কৌবগী মহুত্তা তাচৌ, তায়াই, তাতোন, বাচৌ, বায়াই, কাকা হেক্তা কৌশিনবদগী হেন্দোক্তুনা কোইদ্রিবনি হায়দুনা মহাক্কী নুপাদগীদা নত্তনা মতৈশিংদগী ফাওবা চাক্লুক্তগী চাক-এঞ্চাং ফাওবা লাম্নদুনা চানরকপদগী ঙসিদি মীতৈ খুন্নাই অসিদা তাহন্নীংদবা, থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোক্লক্তুনা ইমা-ইচা ফম্মিন্নদুনা পূন্না পাউ তামিন্নবদা ইকায় হঙ্গোই মপান থোকপা, মরিং-মরাংবা, অতোপ্পা ফূরুপশিংগী মমাঙদা ইকায় ফিরুক খুম্বা হায়বদু নোংম-নোংমগী ওইরক্লি। মসি য়াম্না তৌহৈদবা থবকশিংনি। অদুবু মমাঙঙৈগী মতমদদি মপুরোইবশিংবু লাইগা পাঙ্খক ওইনা খঞ্জদুনা অশেং-অমাং খায়দুনা মপুরোইবনা চাক চাবা লোইদ্রিফাওবা নুপী অদুনা মনাক্তা লাপ্তুক্লা ফম্লগা অৱাৎ-অপাশিং হায়রকপা ঙাইদুনা লৈনৈ। নুপাদুনা চাবা লোইরে হায়রবা মতমদুদা নুপীদু অমুক চাবা চৎনরম্মী।

কনাগুম্বা মীতৈ য়ূমথোঙ খরদদি খুল অসিদা ঐখোয়না খ্বাইদগী ইনাকখুনবা মচিন চৎপনি, অদুনা ঐখোয়গী ইচা ইমৌশিংনা শেৎনীংবা ফিরোলশিং শেৎপদা কনানা করি হায়বা ঙমগদৌরিবনো হায়বগী মওংদা মনীং কা হেন্না তমহল্লুবদগী খুন্নাই অসিগী চৎনবী কায়থরকপদা নত্তনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোক্লকপগী হৌরকফমসু ওইখিদবা নত্তে। শল্লপ্না করদং পল্লবদা মৌনা লৈশাবীগী ফিজোলশিং শেত্তুনা চৎপদগী কনাগুম্বা নুপাশিংদা চেল্লু-চোংলুবগী থৌদোক কয়া থোক্তুনা পুলিস ষ্টেশনশিংদা য়ৌনদুনা কেস কয়াসু লৈনখ্রবনি অমদি লৈশাবী ওইরবোই নীংদুনা পাখং মচাশিংনা লক্লরকপদগী খৎনবা চৈনবগী থৌদোকশিংসু মশীং খঙদনা থোকখ্রবনি। অদুগা ইরমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কনাগুম্বা ফূরুপ খরগীদি য়াম্না শীংথানীংঙাই ওইবা অমনা খুল অদুদা ইনাক ফনা খুল্লবসু মচিন ফনা চৎপা ইমুং ওইরবসু ইনাৎকী ওইবা চৎনবী ফিজেৎ কাঙলোনবুদি খক মীরাইনদে। ঙল্লিঙৈ মতমদগী মীতৈ খুন্নাই অসিদসু নুপী ওইবীশিংনা অৱা-অনাগী থৌরমশিংদা অমদি নুংঙাই-য়াইফ তানখৎলকপগী থৌরমশিংদা শেৎকদবা ফিজোলশিং হায়না খায়দোক্তুনা চৎনদুনা লাক্লি। অসুম্না মৌশিংনা শেৎকদবা, লৈশাবীশিংনা শেৎকদবা ফিজোলশিং কাঙলোন নাইনা চৎনরগদি হৌজিক তানরিবা তাহৈদ্রবা পাউশিং অসিসু তানবগী চাং অসি খরমখৈদি হন্থরক্লগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮গী ৱাহং

১) "পূম্নমক অরেম্বনি, কবিগী তাঙলবা খুভম অসিদি নঙগী পূক্নিংগী মখা পোনবা নত্তে; ঐখোয়না মথক্তা হায়খ্রে, নথৱায় শোক্না হায়বা ৱাহৈতনা মীগী মথৱায় শোকহনবা ঙম্মী।" ৱাহৈ পরেং অসি মীয়াম্না য়াম্না খঙনরবা ৱারেং অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারেং অদুগী অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

২) "নঙ ঐবু নুংশি হায়বদায়।-নুংশি-করি হায়না নুংশি, ঐদি য়ূম পানবা ঙম্মোই হায়বা নৎত্রা...।" ৱাহৈ পরেং অসি ময়াম্না শকখঙনরবা অইবা অমগী নোভেলদগী লৌথোরকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা নোভেল অসিগী অইবা কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) "বীর টিকেন্দ্রজিৎ" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী ইংগ্রাজি দা কুমজা ২০২৪দা কনানা হন্দোকপগে?

৪) "বোরখানগী ইনে" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) "থম্মোয় মচেৎ" হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।